ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, দিস্কস থ্রোৱর কমলপ্রিট কোর ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে, বেদমিন্টনদা পি ভি সিন্ধু মায়থীহৌরে, বোক্সর অমিট পনঘল মখা তাবা ঙমখিদ্রে

টোকিও, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা গ্রুপ মেটচতা সাউথ অফ্রিকাবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। এথলেটিক্সকী কম্পিটিসনদা দিস্কস থ্রোৱর কমলপ্রিট কোর ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ফজবা ঙম্বদগী ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে। নুপীগী বেদমিন্টনদা পি ভি সিন্ধু সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌরে। লোয়ননা নুপাগী বোক্সিংদা অমিট পনঘল মায়থীদুনা মখা তাবা ঙমখিদ্রে।

হোক্কী : ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারকখিবা গ্রুপ এগী অহৌবা মেটচ অহুম মায়থীবা নংলবসু মখা তারকপা মেটচ অনী মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি। টিম অসিনা ঙসি অয়ূক অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী অরোইবা মেটচতা সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অমরোমদা আয়রলেন্দ গ্রেট বৃটেনগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখিবদগী ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবদা অয়েৎপা লৈখিদবনি। করিগুম্বা আয়রলেন্দ মায় পাক্লম্লবদি ইন্দিয়াগী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বেল অদু লৈরোইদৌরিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা হৌবদগী ফজবা ঙম্লবসু সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরকখি। পাঞ্জল ৪গী মনুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বন্দনা কটারিয়ানা অহুম চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী মেটচকী হৌরকপদা পাঞ্জল চনবা ঙমদ্রবসু ইন্দিয়ানা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুগী পাউখুম মতাং চানা পীদুনা হন্দোকপা ঙমখি। ক্বার্টর মরিমক্তা টিম অনীগী লম্বা মান্নখি। অদুবু ইন্দিয়াগী গোলকিপর সবিতা পুনিয়ানা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা কয়া ঙাকথোকপা ঙমখি। পাঞ্জল ৪-৩দা মাঙজিল থারবা মতুং অরোইবা মিনটতা সাউথ অফ্রিকানা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু ভিদিও রেফরেলদা পেনাল্টি কোর্নর তারমদবদগী ইন্দিয়ানা মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা গ্রুপ বিগী মকোক ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগা ওগষ্ট ২দা শান্নরগনি।

এথলেটিক্স : নুপীগী দিস্কস থ্রোৱর কমলপ্রিট কোরনা ঙসি পাঙথোকখিবা ইভেন্টতা মিটর ৬৪.০০ লংদুনা গ্রুপ বিদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। হায়রিবা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলিট সিমা পুনিয়া গ্রুপ এদা শুপ্নগী মিটর ৬০.৫৭ লংলগা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি। কম্পিটিসন অদুদা এথলিট অমনা দিস্কস অদু অহুম্লক লংবগী খূদোংচাবা পীখি। মদুদা কমলপ্রিট কোরনা অহানবা থ্রোদা মিটর ৬০.২৯ লংখি। অদুগা অনীশুবা থ্রোদনা মিটর ৬৩.৯৭ লংলবা মতুং অরোইবা থ্রোদা মিটর ৬৪ লংদুনা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা পোজিসন তারগা ফাইনেল রাউন্দগী-দমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। মহাক্না মশাগী করিয়রগী ওইনা চহী অসিগী জুন থাদা ইন্দিয়ন গ্রান্দ প্রি কম্পিটিসনদা মিটর ৬৬.৫৯ লংবা ঙমখি। অমরোমদা, সিজনগী খ্বাইদগী ফজনা মিটর ৭০.২২ লংবা ঙমখিবী নেদরলেন্দসকী জোরিন্দে ভান ক্লিনকেননা ঙসি মহাক্কী মায়কৈদগী মিটর ৬১.১৫ খক লংখিবদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে। হায়রিবা কম্পিটিসন অসিগী ফাইনেল অদু ওগষ্ট ২দা পাঙথোক্লগনি।

বেদমিন্টন : কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংখিবী অদুগা হন্দক্কী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতসু মকোক ওইগনি হায়না কন্না পানরম্বী ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান বেদমিন্টন শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগী মখূৎতা থ্রেট গেম অনীদা মায়থীবদগী ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচকীদমক্তা শেম শাখি। টাই জু য়িং অমসুং পি ভি সিন্ধুনা মখোয়-মখোয়গী করিয়রদা লম্বা তৌনখিবা অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা সিন্ধুনা হেল্লগা লাকখি। অদুবু অপূনবা করিয়রগী লম্বা তৌনবা মেটচশিংগী মশীংদা মায় পাকপগী চাং য়েংনরুবদদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা টাই জু য়িংনা হেন্দুনা লৈখি।

ঙসিগী সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী হৌরকপদা সিন্ধুনা পোইন্ট মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখ্রবসু টাই জু য়িংগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা নেটপ্লেনা মরম ওইদুনা সিন্ধুগী মায়কৈদা পোইন্ট হেন্না লৌবা ঙমদুনা অহানবা গেম অদু ২১-১৮দা থোইখি।

অনীশুবা গেমদদি ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুগী অশোনবা মফমশিং অদুদা টাই জু য়িংনা এটেক হেন্না চথ্বরকপদগী সিন্ধু শুপ্নগী পোইন্ট ১২ খক লৌবদগী হেন্না মখা তাবা ঙমদ্রিঙৈদা টাই জু য়িংনা পোইন্ট ২১ য়ৌখিবদগী মায় পাকখি।

সিন্ধু মায়থীরবসু নোংমাইজিং নুমীৎতা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক্তা চাইনাগী হি বিং জিয়াওগা লম্বা তৌনরগনি।

বোক্সিং : কিলোগ্রাম ৫২গী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান বোক্সর ওইরিবা ইন্দিয়াগী অমিট পনঘল ঙসি প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা কলম্বীয়াগী বোক্সর য়ুবর্জেন মার্টিনেজকী মখূৎতা স্কোর ১-৪দা মায়থীদুনা মেদলগী লম্বেল লোইশিনখি।

অমিট পনঘল মশাগী করিয়রগী ওইনা অহানবা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ারকপনি। হৌরকপদগী কলম্বীয়াগী বোক্সর অদুনা অহেনবা প্রেসর পীশিন্দুনা পনঘল মনিং হনখি। বাউট অদুগী অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা ফাওবদা মার্টিনেজনা ফজবা হেনখিবা অদুদা জজ মঙাগী মায়কৈদগী মরিনা কলম্বীয়াগী বোক্সরদা পোইন্ট হেন্না পীখি। অদুগা জজ অমখক্লা পনঘলদা পোইন্ট পীখিবনা ১-৪দা মায়থীখি।

আর্চরি : ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান আর্চর অতানু দাস নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙসি ওলিম্পিক গেমস অসিগী য়ূম্বু জপানগী আর্চর টাকাহারু ফুরুকৱাগী মখূৎতা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা সেট ৪-৬তা মায়থীদুনা ওলিম্পিক গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী আর্চরিগী লম্বা লোইশিনখি। হৌরকপা সেটশিংদা লম্বা মান্নরম্লবসু অতানু দাসনা মঙাশুবা সেটতা পোইন্ট ১০গী শোট অমা মথৌ তাখিবা অদু ৮ ফংখিবদগী মায়থীহৌবনি।

Tokyo Olympic Games Medal Tally					
Rk	Country	G	S	B	T
1	China	21	13	12	46
2	Japan	17	5	8	30
3	United States	16	17	13	46
4	ROC	11	15	11	37
5	Australia	10	3	14	27
6	Great Britain	8	9	11	28
7	South Korea	5	4	7	16
8	France	4	9	6	19
9	Netherlands	4	7	5	16
10	New Zealand	4	3	3	10
11	Germany	3	4	10	17
12	Canada	3	4	5	12
13	Switzerland	3	3	4	10
14	Czech Republic	3	3	1	7
15	Croatia	3	1	2	6
16	Italy	2	8	14	24
17	Chinese Taipei	2	2	3	7
18	Hungary	2	2	2	6
19	Slovenia	2	1	1	4
20	Kosovo	2	0	0	2
21	Brazil	1	3	4	8
22	Georgia	1	3	1	5
23	Romania	1	3	0	4
24	Spain	1	2	2	5
25	Hong Kong	1	2	0	3
25	South Africa	1	2	0	3
27	Austria	1	1	3	5
28	Serbia	1	1	2	4
29	Jamaica	1	1	1	3
30	Norway	1	1	0	2
30	Poland	1	1	0	2
30	Slovakia	1	1	0	2
30	Sweden	1	1	0	2
30	Tunisia	1	1	0	2
35	Turkey	1	0	2	3
36	Estonia	1	0	1	2
36	Fiji	1	0	1	2
36	Ireland	1	0	1	2
36	Uzbekistan	1	0	1	2
40	Bermuda	1	0	0	1
40	Belarus	1	0	0	1
40	Ecuador	1	0	0	1
40	Ethiopia	1	0	0	1
40	Greece	1	0	0	1
40	Iran	1	0	0	1
40	Latvia	1	0	0	1
40	Philippines	1	0	0	1
40	Qatar	1	0	0	1
40	Thailand	1	0	0	1
60	**India**	**0**	**1**	**0**	**1**

পান্দম অমগা লোয়ননা হনবা লৈতনা হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি : রাজকুমার রেক্স

শান্নবুংগী পাউদম – ১৩

জয়চান্দ লুৱাং

> “ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ক্রিকেটকী ফিল্ডদা চঙশিন্দুনা থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি মশান্না অসিনা পূন্সিগী করিয়র অমা ওইবা য়াই হায়বসি কৈদৌনুংদা কাউরোইদবনি”

হীরম খূদিংমক্তা পূক্নিং চঙনা অমদি অকনবা মওংদা হোৎনরবদি মায় পাকপা ঙমগনি। মীওইবনা পান্দম অমা ফংনবা হোৎনবদা খাঙবা কন্দ্রবদি কৈদৌনুংদা পাল্লিবা পান্দম অদু ফংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা মায় পাকপা মীওই অমা ওইগে হায়রবদি পান্দম অমা ফংনবা হোৎনবদা ঐনা চৎকদৌরিবা লম্বী অদুদা অয়েৎপা কয়া লৈরম্লবসু মদুবু নমহৎতুনা চৎপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়না মণিপুরগী ওইনা ক্রিকেট মশান্নদা বোল্লর ওইনা মমিং লৈরবা চহী নৌরিবা রাজকুমার রেক্সনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা টেলিফোনগী খূৎথাংদা অখন্ননা ৱারী শানখিবা অমদা রেক্সনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা ক্রিকেট মশান্না অসি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা কা-হেন্না পাম্না শান্নবা উদ্রি। থৱায় য়াওনা থোরক্লিবা খরা অদুসু য়োকখৎপীনবা অমদি লমজিং-লমতাকপীনবা লৈতবনা লমখাংদা মশান্না অসিদগী লাপথোক্লখিবনা অয়াম্বনি। অদুবু ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা কাউরোইদবদি ক্রিকেট মশান্নদা থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি মশান্না অসিনা পূন্সিগী করিয়র অমা ওইবা য়াই হায়বসি কৈদৌনুংদা কাউরোইদবনি। হীরম অমদা মায় পাকপা ঙম্লবদি মীওই অদুগী হিংবগী লম্বী ইরায় লায়না অদুম্মক লাকচগনি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওজরকপা আর কে রেক্স সগোলবন্দ মোইরাং হনুবা ময়াই লৈরক্তগী আর কে দোরেন অমসুং আর কে ওংবী রেনুবালা অনীগী মচা অহুম ফংজবগী মনুংদা অনীশুবনি। মহাক্কী মথক্তা মচে অমা অমদি মনাওনুপা অমসু লৈরি। ঙল্লিঙৈমতমদা রেক্স টাইক্বোন্দো মশান্নদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১১দা ক্রিকেট মশান্নদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখিবনি। হায়রিবা মতম অদুদা মহাক্কী থৱায় য়াওজবা অদু উবীদুনা তেরো খম্নাম লৈরক্তগী হৌজিক্কা পাৎসোইলমখাইদা

লৈরিবা ক্রিকেট মশান্নবু তাকপী-তম্বীরিবা ফৈরোইজম রোহেন্দ্রোনা লৌশিন্দুনা মশান্না অসিদা মশক নাইবা মী অমা ওইনবা তাকপী-তম্বীবা হৌরকখিবনি।

রেক্সনা শান্নবা হৌরকপদা অপোকপা-অপোকপীনা মপূং ফানা মতেং পীরবসু ইমুংগী লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা খূদোংচাদবা কয়াদি অদুম্মক লোয়নদুনা লাকখি। মসিদা নৎতনা মহাক্না ক্রিকেট শান্নবা হৌরকপা মতমদা পূক্নিং হন্থনবা ৱাফম কয়া মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোরকখিদবা নত্তে। অদুম ওইনমক পান্দম অমগী মখাদা খোঙ থাংজিল্লকখিবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মহাক্কী মরমদা ঙাংনরিবশিং অদু থওইনা তাশিল্লুবা লৈতনা থৱায় য়াওনা শান্নরকপদগী ঙসিদি মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াবা ঙমখ্রে।

আই পি এলদা অমুক্তংবু শরুক য়াবা ফংলবদি হায়না হোৎনরকখিবা রেক্স ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা রঞ্জি ট্রোফি, সয়েদ মুষ্টাক অলি অমদি বিজয় হাজারিনচিংবা টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাক্না শরুক য়াবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১১দগী শান্নবা হৌরকখিবা রেক্স কুমজা ২০১৩-১৪দা ঝরখন্দদা পাঙথোকখিবা য়ু-১৬কী এসোসিএট এন্দ এফিলিএট টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা ফংখি। মেটচ অদুদা মহাক্না ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং মেঘলায়াদা পাঙথোকখিবা য়ু-১৯ নেসনল ক্রিকেট একাদেমিগীদমক মহাক খল্লকখি। অসুম্না লাকখিবনা কুমজা ২০১৮-১৯দা পাঙথোকখিবা য়ু-১৯ কুছ বেহার ট্রোফিদা মহাক্না ৱিকেট ৫৭ লৌদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা অনীশুবা খ্বাইদগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা বোলর ওইখি। চহী অদুমক্তদা সাউথ অফ্রিকাদা পাঙথোকপা টেষ্ট সেরিজদা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ টিমদা মহাক খল্লকখি। মদুদা মহাক্না ৱিকেট ৪ লৌদুনা মহাক্কী হৈ-শিংবা উৎখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৯-২০দা মণিপুর সিনিয়র টিমগী ওইনা মহাক খল্লকখিবনি। মসি নৎতবা মহাক্না শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট কয়া অমসু লৈরি। অমরোমদা, রেক্সনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্না মশান্না অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলবদি লমদম অসিদগী মশক নাইরবা ক্রিকেটর কয়া পুথোকপা ঙমগনি। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ক্রিকেটরশিংনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মসিদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না রেক্সনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অহানবগী ওইনা ক্রিকেটরশিং অসিনা প্রেক্টিস তৌবদা নুংঙাইনবগীদমক লৈঙাক্না ইন্দোর ফেসিলিটি অমা থম্বীরবদি য়াম্না অপেনবা ওইগনি হায়রি।

সিলভর মেদলিষ্ট মিরাবাইবু মখা তানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর অমসুং ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসনগী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী হৌজিক ফাওবদা অমত্তা ঙাইরবা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী ৱেথলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুদা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা শান্নরোয় অসিনা তুংগী পূন্সিদা অহেনবা মায় পাকপা ওইয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী নুপী শান্নরোয় কয়ানা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা মশান্না কয়াদা অথোই-অহেন তান্নবদা তোপ-তোপ্পা, হৈ-শিংবা অমদি মতিং উৎখিবা অদুনা মণিপুর অসি মালেমগী মীয়াম্না মশক খঙলিবনি। মিরাবাইনা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবা মতুংদদি শান্নরোয় অসিগী মরমদা ইন্দিয়া অমদি মালেমগী মীওইশিংনা হেন্না খঙনিংদুনা খরা কুপ্থনা য়েংলকপদা ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক চিদাইদা লৈবা পীকখ্রবা লৈবাক মণিপুর অসি য়াম্না ময়েক শেংনা থোরকখিবনি। নুপীগী বোক্সিংদা ৱর্ল্ড টাইটল ৬লক লৌবা ঙমখ্রবী লন্দন ওলিম্পিক গেমসকীসু ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট এম সী মেরি কোমনা মণিপুর লৈবাকপু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা লাকখিবা অদুগী মথক্তা মিরাবাইনা সিলভর ফংদুনা মণিপুরবু পূমঙাল ঙালহনখি।

লূপ অনী অসিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, সাইখোম মিরাবাইগী স্পোর্টসকী পূন্সি খোঙচৎকা মরী লৈনবা ৱারী অমা হায় স্কুলগী থাক ফাওবদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী সেলেবসতা মণিপুর লৈঙাক্না হাপ্পীয়ু হায়না পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা নুপীগী ওলিম্পিক টেন্নিস গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

টোকিও, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

ঙসি শান্নখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী টেন্নিস সিঙ্গলসকী ওইনা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা চেক রিপল্লিককী মার্কেটা বোন্দ্রোসোভাবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরোয় অনী শান্নবা হৌরকখি। অহানবা সেট অদুগী গেম ১০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা নাকল অনীদগী গেম ৫-৫ থোইনদুনা লৈখি। অদুবু বেন্সিকনা ১১শুবা অমদি ১২শুবা গেম অদু থোইদুনা ৭-৫দা অহানবা সেট লৌখি।

অনীশুবা সেটতা চেক রিপল্লিককী বোন্দ্রোসোভাগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী বেন্সিককী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইকোম কোম্না ৬-২দা সেট অদু থোইরগা শান্নরোয় অনী সেট অমমম্ মান্নরগা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি। অরোইবা অমদি অহুমশুবা সেট অদুদা বোন্দ্রোসোভাগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরক্লবসু বেন্সিকনা মহাক্কী অশোনবা মায়কৈদা অহেনবা এটেক চথ্বরকপদগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬-৩দা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচ অদু য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অমসুং কজাখষ্টানগী এলিনা রাইবাকিনাগা লম্বা তৌনবদা স্বিটোলিনানা সেট ২-১দা থোইদুনা মেদল অদু ফংখি।

অহানবা সেট রাইবাকিনানা য়াম্না হেন্দুনা স্বিটোলিনাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা স্বিটোলিনাগী মায়কৈদগী অকনবা মশান্না উৎলক্তুনা টাই ব্রেক শান্নরকপদা মহাক্না পোইন্ট ৭-৫দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নরকপদগী ৩শুবা সেট লম্বা তৌনরকপদা রাইবাকিনাগী সর্ভিস গেম অমা মহাক্না মুনবা ঙমখিবদগী ৬-৪দা থোইরগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

য়ু এসকী দ্রেসেলনা নুপাগী মিটর ১০০গী বট্টরফ্লাইদা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্লগা গোল্ড লৌখ্রে

টোকিও, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী স্বিম্মিংগী মিটর ১০০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা য়ু এস এগী স্বিমর সেলেব দ্রেসেলনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

সেলেব দ্রেসেলনা ঙসি নুপাগী মিটর ১০০গী বট্টরফ্লাই কম্পিটিসন অদুদা সেকেন্দ ৪৯.৪৫দা ইরোয়দুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি। পনবা য়াবদি, দ্রেসেল মশামক্লা কুমজা ২০১৯গী ৱর্ল্ড স্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপতা হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তংদা সেকেন্দ ৪৯.৫০দা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্লম্বনি।

স্বিম্মিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা সেলেব দ্রেসেলনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা অহুম্লক শুবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা হঙ্গেরিগী স্বিমর মিটর ২০গী বট্টরফ্লাই চেম্পিয়ন ওইরিবা ক্রৃষ্টোপ মিলাকনা সেকেন্দ ৪৯.৬৯দা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা স্বিটজরলেন্দগী নো পোন্টিনা সেকেন্দ ৫০.৭৪দা ইরোয়দুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

য়ু এস এগী স্বিমর সেলেব দ্রেসেলনা ঙসি ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবা অদুগা লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী স্বিম্মিংদা পূন্না মরিরকশুবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইবা ঙম্লি। মমাংদা সাউথ অফ্রিকাগী টাটিয়ানা স্কোমেকরনা নুপীগী মিটর ২০০গী ব্রেষ্টষ্ট্রোক ইভেন্টতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী মিটর ৪X১০০ রিলে ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থমখিবগা লোয়ননা চাইনাগী নুপীগী মিটর ৪X২০০ রিলেদসু ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্লগা পূন্না ৱর্ল্ড রেকোর্দ মরিশুবা ঙম্লি।

দ্রেসেলনা হৌজিক ফংলিবা গোল্ড মেদল অহুম অসিগী মখা তানা মিটর ৫০গী ফ্রীষ্টাইল অমসুং মিটর ৪X১০০ মেদলেদা গোল্ড ফংবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

চেঙ কেজি মশীং শুনা ফংদ্রিবা অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই

লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা চেঙ কেজি ৫/৫ লেম্না নবেম্বর থা ফাওবা পীগনি লাউথোরকপদা নীংশা খরদি হোন্দোক্লখি, হরাউনখি অমদি মীয়াম্না থাগৎনখি। থা কয়া লোকদাউন তৌরুরবা মতুং অমুক্কসু টোটেল কর্ফিয়ু ওগষ্ট ৩ ফাওবা শাংদোকখিবনা শূফম-নোম্ফম খঙদ্রবা মীওই কয়াদি অৱাবনা খম থেংলে। মমাং থা অনীদা চেঙ নেম্না পীখ্রে। অদুবু মীওই ১০ লৈবদা চেঙ কেজি ১৫ ফংই। লেমহৌরিবা মী ৭কী চেঙদি ফংদ্রে। দিপার্টমেন্টনা লিষ্ট শেমদোক-শেমজিন তৌবনা তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদা ৱাকৎ কয়া থোক্লকপগা লোয়ননা ৱাথোক-লাম্থোক থোক্লক্লি। মীওই লিশিং ৩০ লৈবদা শরুক অহুম থোকপগী মনুংদা অনীদি ফংলরোই। মসিমক য়াম্না লাইবক থীবনি। জুন-জুলাই থাগী নফসাগী চেঙ ফংদবসু য়াওনরিবনি। অসুক ৱারবা কোভিদ-১৯গী চৈথেংলক্তা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি খঙবী-উবীরদুনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা চেঙ কেজি মশীং শুনা ফংহনবীরবদি অচৌবা মতেং ওইগনি। ওগষ্ট থাদগীদি ভোটর লিষ্টতা য়েংলগা চেঙ কেজি ৫/৫ পীরবদি অৱাবা খরা কোক্কনি খল্লি। মীয়াম্নসু মতম চানা আধার লিঙ্ক তৌহন্নিংই।

❒ **জয়কুমার তখেল্লম্বম, খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকাই**

কোভিদ চৈথেংগী মতম শাংনা ৱাদুনা লাক্লবা মীয়ামদা লুপা লিশিং ৫/৫ পীগনি হায়রকপা থাগৎলি

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ৱানরবা মতম অসিদা শূজ-নোমজরগা হিংজবা কয়াগী অৱাববু সী এম নোংথোম্বম বিরেননা মতেং ওইনা শিনফম কয়াদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা তাঙ্কক অনী থোক্লা লুপা লিশিং ৫ পীবীগনি তাকপীখি। থৌরাং অসি য়াম্না ফৈ। মীয়াম্নসু হেন্না থাগৎনখি। পায়খৎকদৌরিবা শিনফম ৯/১০ মুক্লি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা মীওই লিশিং ৩ হেন্না থোক্লকপা য়াই। হায়রিবা মতেং অসিগী মতেং ফংনবগীদমক্তা মীওই কয়ানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীগী ওফিস মনাক্তা শেন্নবা য়াওদনা মাগী-মাগী চে-চাংশিং অদু থাজিন্নবা হোৎনবদা এস ও পি করিনো খঙনররোই। ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীনা ফোর্ম থাজিনবগী মতম ওগষ্ট ৪দগী ৭ ফাওবনি হায়রি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা পোজিটিভ ওইবনা লিশিং ১ অদুগা শিবগী চাংনা ২০গী ময়াদা লৈরি। লৈঙাক অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মীওইনা পাউচে অমদি রেদিও, টেলিভিজনদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা খঙহন্দুনা লৈরি। কর্ফিয়ু ফাওবা লাউথোক্তুনা মীয়াম য়ূমদগী মপান থোক্তনবা হোৎনরিবনি। মরম অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীনা ক্যু লেপ্পুনা ফোর্ম থাজিনহনবগী মহুৎতা ওনলাইনদা ফোর্ম থাজিন্নবগী থৌরাং তৌবীয়ু।

❒ **ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

‘মণিপুরী নুপীগী থৌনানা মালেমগী পুৱারীদা লৈহৌরগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ৱেথলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা কিলোগ্রাম ৪৯গী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল ফংলকপা অসিনা মালেমগী পুৱারীদা মণিপুরগী নুপীশিংগী ৱারী মুৎনাইদনা লৈহৌরগনি হায়না মণিপুরী চনুরা লৈশেম লূপ (মচা লৈমা)কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মচা লৈমগী মায়কৈদগী মখা তারদুনা মণিপুরী নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল লিম্থোইঙম্বীদগী হৌরগা চহী ৭ খুন্তাকপদা লৌখিবা থৌদাং, অহানবা অমদি অনীশুবা নুপী লাল পূম্নমক অসি ঐখোয়না তাদুনা লাক্লি। অদুবু মসিগী ৱারী নত্তে, মণিপুরী নুপীশিংনা করি তৌবা ঙম্বগে হায়বদু ঙসিগী মীরোলদা মিরাবাইনা থবক ওইনা উৎখ্রে। শান্ন-খোৎনবদা হৈবা অসি মণিপুরীশিংগী ঈদা য়াওরক্লবা অমনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক্তা মণিপুরবু অমুক্কসু হন্না মশক থোক্না মীয়ামদা তাক্লি। কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসতসু গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ ফংখ্রবীনি। চহী অসিগী এপ্রিল থাদা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। মহাক্তা নৎতনা এম সী মেরি কোমনা থৌনা ফনা শরুক য়াখিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

PUZZLE NO. 187



GM Gozzoli,Y (2604) - GM Svidler, Peter (2729)
Chess24 Banter Blitz Cup chess24.com INT, 2019.12.17

1.d4 Nf6 2.Nf3 d5 3.c4 e6 4.Nc3 c6
5.Bg5 h6 6.Bh4 dxc4 7.e4 g5 8.Bg3 b5
9.Be2 Bb7 10.O-O Nbd7 11.e5 Nd5 12.a4 a6
13.Nxd5 cxd5 14.Ne1 Qb6 15.Bh5 Bg7 16.a5 Qa7
17.Kh1 O-O 18.f4 f5 19.fxg5 hxg5 20.Nf3 Bh6
21.Be1 Kh7 22.Bd2 g4 23.Ng5+ Bxg5 24.Bxg5 Rg8
25.Bf4 Nf8 26.h3 gxh3 27.gxh3 Bc6 28.Qe1 Qe7
29.Qe3 Be8 30.Be2 Ng6 31.Bg5 f4 32.Bxf4 Nxf4
33.Rxf4 Bg6 34.Rf6 Raf8 35.Raf1 Qg7 36.Bg4 Be4+
37.Kh2...

QUESTION :
White to win

Puzzle 186 Ans. :

33. ...Rxf1+ The black rook decoys White's king. 34.Kxf1 Qxd3+ 35.Kg2 f3+ The black pawn attacks White's king, which is defending square f1. 36.Kh1 Qd1#Backrank mate

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com